# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses


লোকদাউননা মরম ওইরগা অৱাবা মায়োক্লরিবা সোরা অমদি অকোয়বদা লৈবা য়ুমথোঙশিংদা এম এল এ, ৱাই সুরচন্দ্রগী মীৎয়েং মখাদা ঈশিং য়েন্থোকখিবা



লামায় ৩

লোকদাউননা মরম ওইরগা তঙাইফদনা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ফংদবগী অৱাবা কোকহন্নবগীদমক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মীয়ামদা লেম্না চান-থক্লবা ফংহন্নবা ‘ফুদ বেঙ্ক’ হাংদোকখিবা



লামায় ১

মোইরাং কৈথেল অমসুং মোইরাং লমখাইদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং লৈবা লাকখিবা মীয়ামদা সোসল ৱর্কর থোঙাম শান্তি অমসুং মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টকী থৌমীশিংনা মাস্ক য়েন্থোকখিবা



লামায় ১

ইষ্টর সন্দে অমসুং চৈরাওবগী য়েংলগা লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু কোমথোক্লিঙৈদা পিশুমথোং কৈথেলদা মীওই কয়ানা পোৎ-চৈ লৈবা লাক্লখিবগী শক্তম



লামায় ১

Vol. 44, Issue No.019 | নোংমাইজিং, শজিবু ২০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, April 12, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## অনী টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস): জেনিমসকী ভাইরস রিসার্চ এন্দ দাইগ্নোষ্টিক লেবোরেটরি (ভি আর দি এল) দা ঙসি মীওই অনী কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরে।

হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিসনেল দিরেক্টর ডো. কে ঐচ শশিকুমার মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, রিমসকী ভি আর দি এলদা হৌজিক অতোপ্পা সেম্পল ১৯ টেষ্ট তৌরি। হয়েং অয়ূক অঙনবদা রিজল্ট খঙলবা য়াই। জেনিমসকী ভি আর দি এলদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবা অনৌবা মেছিন অনী ইন্সটোল তৌরে। তোঙান তোঙানবা লায়না খরা লায়েংবদা শীজিন্নবা হায়দ্রোক্সিক্লোরোক্যুন ৱাৎলে হায়বগী রিপোর্ট ফংলে। মেদিকেল দিরেক্টরেটনা ফীভম অসি কূপ্না য়েংশিল্লি। প্রাইভেট ত্রান্সপোর্টর অমগী খূথাংদা টেব্লেট ১৫,০০০ থুংলরে। অথুবা মতমদা শকখঙলবা রিটেলরশিংগী মখূৎতা য়ৌহনখিনবা থৌরাং তৌরে হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

## মাস্ক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা চথরক্লিবা লোকদাউন থমখিবনা অৱাবা ফিভম অমদা মায়োক্লদুনা লৈরিবা মীয়ামদা চৈরাওবা অমদি চরক পুজাগী য়েংদুনা ঙসি অয়ূক পুং ৬তগী ১১ ফাওবা দুকানশিং হাংখিবা অদুদা পোৎ-চৈ লৈবা লাকখিবা মোইরাং এ সী অমসুং অকোইবদা লৈরিবা মীয়ামদা সোসল ৱার্কর থোঙাম শান্তি অমদি মোইরাং কেন্দ্র প্রোগেসিব ফ্রন্টকা লোয়ননা মাস্ক ১৫,০০০গী মথক্তা য়েন্থোকখ্রে। লোয়ননা মোইরাং কেন্দ্র প্রোগেসিব ফ্রন্টনা লায়না অসিবু লাম্থেংনরিবা পুলিস, ফায়র সার্ভিস, দোক্তর অমদি নর্সিশিংদা তেঙবাং পোৎলম কয়া পীখি। অদুগা কেন্দ্র অসিগী অকোইবদা সোদিয়ম হায়পোক্লোরাইদ কাপথোকখি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৭.৯৭ °C

খ্বাইদগী ঈংবা ১৩.৮২ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.৫৫

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩৫

### HL Poll

Q: State asigi mafam kayada meeyamna pot-chei leibada social distancing ngakkhidabagi thouong asi wakhal taba watpagini khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Meeyamna wanaringei cheirakta politicalgi charangnaba thoraklibasi matang-matam chade haina loubra?

Yes 79% No 21%

### অস! লোইরেহে!

- করি-করি লৈরে ইবেম্মা...!



- অৱাংলোমদসু, মখারোমদসু, মনীংলোমদসু, মমাঙলোমদসু পঙচেন্দা চেল্লি, লৈদ্রে ইচে!

# লোকদাউনগী মতম চয়োল ২ শাংদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী): কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা থমখিবা লোকদাউনগী মতম চয়োল ২ শাংদোক্লে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখ্রে।

মার্চ ২৫দগী হৌরগা নুমিৎ ২১ চূপ্না থম্লকপা লোকদাউনগী মতম এপ্রিল ১৪দা লোইগদবনি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াগী চীফ মিনিষ্টরশিংগা ভিদিও কনফরেন্সতা ৱারী শানরবা মতুংদা মখা তানা লোকদাউন থম্নবগী ৱারেপ লৌখি।

নুমিৎ খুদিংগী ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইবগী কেস মশীং হেনগৎলকপগা লোয়ননা মী শিবগী মশীংসু হেনগৎলকপা মরম্না লৈঙাক্কী ফিরেপ অসি লৌরকপনি হায়না থাজনরি।

ওরিষা অমসুং পঞ্জাবকী ওইনদি এপ্রিল ৩০ ফাওবা লোকদাউন শাংদোক্লগনি হায়না ইরাই নুমিৎতা লাউথোকপা লৈখ্রে। ষ্টেট অয়াম্বনসু লোকদাউন শাংদোকহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লরকখি।

## অৱাং-নোংপোক্কী মীওইশিংদা তাথী তাওইনা তৌবগী ৱাফম সী এমনা পুখৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস): লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ শন্দোরক্লিঙৈগী চৈরক্তা অৱাং-নোংপোক্কী মীওইশিং তাথী-তাওইনা তৌবীবগী ৱাফম চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পুখৎখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ভিদিও কনফরেন্সতা ঙসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনসু শরুক য়াখি। ৱারী শানবা অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদা মণিপুরগী মীওই ৩০,০০০ হেন্না পন্দুনা লৈরি।

মখা লামায় ৩ কলম ৩

ওপোজিসন্না লৈঙাকপা ষ্টেট খরনসু কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগী পান্দমদা লোকদাউনগী মতম শাংদোকপা তঙাইফদে হায়না

...মখা লামায় ৩ কলম ৩

পোৎ-চৈ লৈবা লাকখিবা চিক্লা চাইনা ঙমদনা তিনখিবা মীয়াম পুলিসনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমখিদ্রে

# কোরোনাভাইরস : নুমীৎ কয়ানি চঙনা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎলকখিবগী মহয় অরেম্বদা হৈদোকপগুম থোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১(ঐচ এন এস): ইষ্টর সন্দে অমদি চৈরাওবগী য়েংলগা মণিপুর লৈঙাক্লা ঙসি অয়ূক পুংজা খরগীদমক মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং য়োনবা দুকানশিং থোঙ হাংহনখিবদা পোৎ-চৈ লৈবা লাকখিবা চিক্লা চাইনা ঙমদবা মীয়াম পুলিসনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমখিদ্রে। কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংননবা লৈঙাক্লা নুমীৎ কয়ানি চঙনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলকখিবগী মহয় অরেম্বদা হৈদোকপগুম থোকখ্রে।

টোটেল শটডাউন চথখিবদগী অৱাবা মায়োক্লরবা মীয়াম্না ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌদুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল, পাওনা কৈথেল, নাগামপাল, খুরাই লম্লোং, কোংবা বজার, শীংজমৈ কৈথেল, পিশুম থোং, শগোলবন্দ, লম্ফেল সনা কৈথেল, খোয়াথোং, কৈশাম্পাৎ, কৈশামথোং, থৌবাল, ককচীং, য়াইরিপোক, হৈরোক, নম্বোল, বিষ্ণুপুর, নিংথৌখোং, মোইরাং, কুম্বী বজারনচিংবা মফমশিংদা পোৎ-চৈ লৈবা থোক্লরকখি। অদুবু মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না মফম কয়াদা পোৎ-চৈ লৈবা থোক্লরক্লবসু কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লনবগীদমক সোসল দিষ্টেন্সিংগী নোর্ম ঙাক্তুনা মীওই অমগা মীওই অমগা মিটর ১ রোম লাপ্পনা লেপ্পগা পোৎ-চৈ লৈনখিবগী মতৌদি উবা ফংখিদ্রে। দুকানদা পোৎ লৈবা মতমদা নৎত্রগা কৈথেলদা এঞ্জাং-নাপী লৈবা মতমদা মশীং য়াম্লবা মীয়াম ওমশিন্দুনা কূক-কূক ইন্ননা লেপ্পগা পোৎ লৈখিবগী মতৌ ময়েক শেংনা উখি। কনাগুম্বা খরদি মী কূক-কূক ইন্ননা লেপ্লগা পোৎ-চৈ লৈনখিবগী মতৌ সোসল মীদিয়াদা উবদগী ময়ূমদগী হেন্দোক্তনা লৈনখিবসু য়াওনখি। ওইল পম্পশিংদসু মীয়াম্না থাউ লৌবা লাক্লখিবগা লোয়ননা ক্যু লেপ্পা মতমদা সোসল দিষ্টেন্সিংগী নোর্ম ঙাক্লা চৎখিবগী মতৌ উখিদে।



মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না মনা-মশিং অমদি তঙাইফদ্রবা পোৎলমশিং লৈবা থোক্লরকপদা নাগামপাল পরিংদা ওইখিবা শক্তম

পাউচে অসিনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল, পাওনা কৈথেল, নাগামপাল পরিং অমদি ইম্ফালগী অকোয়বদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা মফমশিং অমদি তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিংদা

...মখা লামায় ৬ কলম ৪

## কোংগ্রেস : ইনক্বারি কম্মিসন শেমদুনা থিজিনহনগদবনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচ এন এস): ষ্টেট লৈঙাক্লা কৈথেল অমসুং দুকানশিং হাংহন্দুনা হেল্থ রিস্ক ৱাংবা মওংদা মীয়াম পুলহনখিবা অদুগী মতাংদা ইনক্বারি কম্মিসন শেমদুনা থিজিনহনগদবনি হায়না এম পি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. কে ঐচ রতনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন : মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

কোবিদ-১৯ শন্দোরকপা থিংনবগী লোকদাউন তৌখিবদগী মীয়াম্না থেংনরিবা চান-থক্লবা পোৎচৈ ফংদবগী অৱাবা খরদং কোকহনবগা লোয়ননা ইষ্টর অমসুং চৈরাওবগী য়েংদুনা মতম খরা কোমথোকখিবদা মণিপুরগী মফম কয়াদা ওইখিবা শক্তমদা পোৎচৈ লৈবা লাকপশিংনা হায় -



**অথোকপম খাবা, শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকায়**

মীয়ামগী ওইনদি লোকদাউন খরা কোমথোরকপসি ফৈ। অদুবু লায়নাসিগী য়েংলুরগদি শুপ্পগী ইষ্টর, চৈরাওবগী পোৎচৈ লৈনবনি হায়না কোমথোরকপসিদি তৌহন্নিংদে। মরমদি মীয়াম্না সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লখিদে।



**য়াইখোম রাজেস, খুরাই লম্লোং কৈথেল**

লৈঙাক্লা মীয়ামগী অৱাবা উরগা পোৎচৈ ফংহন্নবা হোৎনরকপা অসিদা মীয়াম্না সোসল দিষ্টেন্স থম্নরক্তনা পোৎচৈ লৈনরকপা অসি তশেংনা দিল্লিদা থোকখিবা থৌদোক অদুম্মক থোক্লন্দরা হায়না মীপাইদবসু ঙমদে।



**লোংজম অমরজিৎ, নম্বোল**

অৱাবা ময়ামসিগী য়েংলুরগদি লৈঙাক্লা শিল্লক্লিবসি য়াম্লা ফৈ। অদুবু ঙসি পোৎ লৈহৌনবগীদমক মীয়াম্না তৌনখিবা মওংদুদি করিগুম্বা মীরক্তা লায়না চেনবা মীশক অমগা য়াওরম্লবদি কীনিংঙাই ওইবা মশক অমনি।



**হেমা, উরিপোক ময়াই লৈকায়**

দিল্লিদা থোকখিবা থৌদোক্লুম্না থোরক্তবা ওইসনু। অৱাবা খরদং কোক্লবা লৈঙাক্লা শিনবিরক্লিবা অসিদা খজিক মীৎয়েং শানবদি ৱাৎপা মাল্লি। করিগুম্বা অনাবা মশীং হেনগৎলক্লবদি মীয়াম পূন্না ৱামিন্নগনি।



**সহিদা বানু, উরুপ ময়াই লৈকায়**

পুল্লপ হেক থাদোকপা, হেক থিংজিনবা তৌদনা সিষ্ট-মেটিকেল্লি ওইনা লোকদাউন কোমথোকহন্নিংই। অকক্লবা মতম খরগী মনুংদা দুকান মশিং য়াম্লা ফমদবনা ৱারবা মীয়াম্না পোৎচৈ খরদং ফংহৌনবা হোৎনরকপা তাবনি।



**য়ুম্লেম্বম রোবার্ট, খুরাই লাইরিকয়েংবম লৈকায়**

লৈঙাক্লা মীয়ামগী ফনবা শিল্লকপনি। অদুবু নুমিৎ কয়ানি ৱানা খাংলম্বগী মহয় ফংলরোইদ্রা হায়না মীপাইদবসু ঙমদে। ঙসি ওইরিবা ফীভম অসিদদি য়াম্না কিনিংঙাই ওইরে। মতুংদদি লৈঙাক্লা মুন্না খন্থহন্নিংই।

## অথৌবশিংগী মফমদা য়াওলগী ইকাই খুম্নবা উৎচরি : আর পি এফ

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১: অথৌবশিংগী নুমীৎ এপ্রিল ১৩, ২০২০না লাকপদা রেভল্যুসনরি পীপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ)না ইরৈবাক মীয়ামগী নীংতম লাঞ্জংদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা য়াওলগী ইকাই খুম্নবা উৎচরি হায়না লোনা অথিংবা থমখ্রবা রেভল্যুসনরি পীপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) কী সেক্রেটরি পব্লিসিটি রোবেন খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, নীংতম লাঞ্জং অসিদা য়েক্লবগী মীওৎ-মীনৈগী চৈথেং নংদুনা লম্মখাংদা পূন্সি লোমখ্রবা অমসুং পূন্সিগী ওইনা শোইনাইহৌরবা খ্বাইগী মফমদসু আর পি এফনা কোক নোন্দুনা ইকাই খুম্নবা উৎচরি।

আর পি এফ অমদি মসিগী লান্মী শঙলূপ পি এল এনা মীনাই নাইথাংগী য়োল্লিং কোলহৌ অসিদগী নান্থোক্লবা অমদি নীংতম্না ইশানা ইরোমদোম লেপচনবগীদমক ইন্দিয়াগী লান্মীশিংগী মথক্তা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবা লাঞ্জংগী শরুক অমা ওইনা থৌনা ফরবা অথৌবা য়াওল্লোই কয়ানা পামুবা লৈতনা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কথোকখিবা নুমীৎ ‘অথৌবশিংগী নুমীৎ, এপ্রিল ১৩’দা মণিপুরদা নীংশিংবা থোক্তবা মতমদগী হৌনা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নরক্লিবা চীংমী-তম্মী

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## মীপাল তাংদনা হিংবা ঙম্নবা কংলৈচাশিংদা শূ-নোম্বগী হৈনবী লৈহল্লসি : প্রিপাক

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১: মীপাল তাংদনা হিংবা ঙম্নবা কংলৈচাশিংদা শূ-নোম্বগী হৈনবী লৈহল্লসি হায়না লোনা অথিংবা থমখ্রবা পীপলস রেভল্যুসনরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ লৈবাক ঙাকপা লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বরগী অহুমশুবা চয়োলদা চাইনাগী হুবৈ প্রোভিন্সকী কেপিটেল ওইরিবা ৱুহান সিটিদগী হৌরকখিবা ঙসি-ঙসিমক্লা মালেম শীনবা থুংনা শন্দোক্তুনা দল্লিয়ু ঐচ ওনা পেন্দেমিক ওইরে হায়না লাউথোকখ্রবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা ঙসিগী মালেম খম থেংনা ৱাবগী পনখে লৈত্রে। য়ুরোপকী চাউখৎলবা লৈবাক খরদদি লাইচৎ অসিগী চৈথেংনা য়ূমথোঙ খূদিং মীকপ-মীরাওখোলতনা নিল্লে। তমথীরবা লাইচৎ অসিগী হৌরকফম চাইনাগী ৱুহান সিটি ঙসিদি নুমীৎ ৭৬নি চুপ্না লোকদাউন তৌদুনা লায়না অসিদগী মপূং ফানা ঙাকথোকপা ঙমখ্রে হায়বা য়ারে অমদি সিটি অসিগী মীওই মিলিয়ন ১.৮ রোম অতৈ সিটিশিংগা চৎথোক-চৎশিন য়াখ্রে। নুমীৎ ৭৬নি চুপ্না লোকদাউন তৌখিবা ৱুহান সিটিদা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মফম অদুগী মীওইশিংনা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী অৱাবা থোইদোক্লা লৈখিদে। মসিগী মরুওইবা মরমদি চাইনাগী মীওই খূদিংমক শূ-নোম্বগী ৱাখল চাউনা লৈ। মীপাল তাংবগী ৱাখল লৈতে। মশাগী পোথোক পুথোক্তুনা অমদি চাউখৎহন্দুনা লৈবাক্কী ইকনমি ফগৎহল্লি। লৈবাক অদুগী এগ্রিকলচরেল প্রদক্ট চাদা ৭০ হেনখিবনা এপিদেমিক অমা থোক্লবসু থোইনা ৱানিংঙাই ওইদে। ঙসি ওইরিবা চাইনাগী ৱর্ক কলচর অসি হঙ্গৎনা য়েংখৎলুবদা কলচরেল রেভল্যুসন (১৯৬৬-১৯৭৬) অমদি গ্রেট লিপ ফোরৱার্দ (১৯৫৭-১৯৬০)না নহাশিংবু ট্রেনিং পীখিবনা ঙসিদি খূদোংথিরবা

...মখা লামায় ৬ কলম ১

## চুড়াচান্দপুরদা ফুট এন্দ মাউথ দিজিজ শন্দোরক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস): চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী তোঙান তোঙানবা মফমদা ফুট এন্দ মাউথ দিজিজ (এফ এম দি) শন্দোরক্লে। হীরম অসিগী মতাংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা শা-ষণ লোইরিবা মীওই পূম্নমক্লা য়ূমদা লোইবা শা-ষণশিং টিকা থাদোকপীনবা দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি ওফিসলশিংনা খঙহনখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনরি ওফিস চুড়াচান্দপুরগী জোইন্ট দিরেক্টর লালঙাকিন হিলরনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা থিঙ্কংফাই এরিয়াদা ষনাও অহুম শিহনখ্রে। মফম অদুগী য়ূমদা লোয়বা শা-ষণ চাদা ৭৫ লায়না অসিনা নাবা থেংনরে। থিঙ্কংফাইগা লোন্নরিবা অতৈ খুঙ্গংশিংদসু লায়না অসি শন্দোরকপগী পাউ ফংলে।

ষণ, ইরোই, ওক, হামেং, য়াও অমদি শজিনচিংবা শাশিংদা হেন্না লৌনগনবা লায়না অসি এপথোভাইরস কৌবা দি এন এ ভাইরস অমনা থোকহনবনি। কা হেন্না লৌনগনবা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা শা-ষণ পূম্নমক টিকা থাদোকপা তঙাইফদে হায়রি।

## ইম্ফাল ইষ্টতা ফুদ বেঙ্ক হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস): লোকদাউননা মরম ওইরগা তঙাইফদনা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়ুম য়ুমদা ফংহন্নবগী পান্দমদা হোম দেলিভরি হৌদোকখ্রবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি মীয়ামদা লেম্না চানা থক্লবা ফংহন্নবা ‘ফুদ বেঙ্ক’ হাংদোকখ্রে। কনাগুম্বনা নোংমগী তঙাইফদনা চঙদ্রবা য়াদবা চেঙ, অলু, হৱাই অমদি থাওনচিংবা পোৎলমশিং মতেং পাঙবীরক্লবা ইম্ফাল ইষ্টকী দেপ্যুতি কম্মিস্নারনা পব্লিক নোটিস অমা থোকখ্রবনি। ঙসি হাংদোক্লিবা ফুদ বেঙ্ক অসিনা লায়রবা মীওই অমদি নোংমগী খুৎশুমলনা হিংলিবা মীওইশিংদা মতেং পাঙবা ঙম্লগনি হায়না ফুদ বেঙ্ককী নোদেল ওফিসার এম ৱাইফৈনা ফোঙদোরক্লি।

## লৈঙাক্লা পি দি এসকী পোৎলমশিং য়ূমথোঙ খূদিংদা ফংহন্নবা হোৎনরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা অমসুং মতম শাংনা লোকদাউন তৌরকপগী য়েংলগা মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা য়ূমথোঙ খূদিংদা পি দি এসকী পোৎলমশিং নীংথিনা ফংহন্নবা হোৎনরি হায়রি।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি এ এ ৱাইগী চেঙ ক্যুইন্টন ১০৯২.৭০ পুশিন্দুনা য়ূমথোং ৩১,১২২দা য়েন্থোকখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী য়ূমথোং ২৬,৫০৭তনা পি ঐচ ঐচকী চেঙ ক্যুইন্টন ৬১৪৬.৬৫ য়েন্থোকখি। ওপন মার্কেট সেলস স্কিমগী মখাদনা চেঙ ক্যুইন্টন ৪০ য়ূমথোং ৪১০দা ফংহনখি। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬-নম্বোল, ওইনাম, বিষ্ণুপুর, মোইরাং, থাঙ্গ অমসুং কুম্বীদা চেঙ ক্যুইন্টন ১০১৯৮.৭৫ পীরগনি। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু চেঙ ক্যুইন্টন ১০০২০.৮৫ পীগদৌরি। কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি ওপন মার্কেট সেলস স্কিমগী মখাদা চেঙ ক্যুইন্টন ১.৯ য়ূমথোং ১৩৪দা ফংহনখি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা থাংমৈবন্দ, উরিপোক, সগোলবন্দ, কৈশামথোং, শীংজমৈ, য়াইস্কুল, পাৎশোই, কোন্থৌজম, লমশাং, সেকমাই, সাইটু, ৱাঙ্গোই, নাওরিয়া পাখংলাকপা, লংথবাল অমসুং ময়াং ইম্ফালগী ওইনসু এপ্রিল থাগী চেঙ পীখ্রে হায়রি।

# দেপ্যুটি সী এমদগী পোর্টফোলিও লৌথোকখিবা হকচিন্না লৌই : শংমা

শিলোং, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী): মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী নেসনল প্রসিদেন্ট কোনরেদ কে শংমানা হায়খ্রে মদুদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা এন পি পিগী লুচিংবা অমসু ওইরিবা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারদগী পোর্টফোলিও পূম্নমক লৌথোকখিবনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা পোলিটিকেলগী চরাংনবা ফীভম অসি হকচিন্না লৌই।





নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (এন এফ এস এ) গী মখাদা লায়রবশিংগী চেঙ য়েন্থোকপগা মরী লৈননা য়েৎনবা খরা থোরকপদগী চীফ মিনিষ্টরনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগী পোর্টফোলিও পূম্নমক লৌথোকখিবা হায়বসি পার্টিনা তরাইনা লৌদে হায়নসু মহাক্লা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি এন পি পিগী মিনিষ্টরশিংগা ৱারী শানরে। বি জে পিগী সেন্ট্রেল লিদরশিংগা ৱারী শানদুনা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্তগী এন পি পি তোকপগী ৱাফম লৈত্রা হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা কোনরেদ শংমানা হায়খি, হৌজিক ফাওবা এন পি পিগী মিনিষ্টরশিংগা উনদ্রি। টেলিফোন্দা ৱারী শানবখক্তনি। ওইরক্লিবা ফীভম অসি তরাইনা লৌদবা মরমনা য়াম্না মুন্না খন্থবা মথৌ তাই।

পনবা য়াবদি, কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লাকশিন্নবগী পান্দমদা লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা লোকদাউন তৌখিবনা অৱাবা নংলবা মীয়ামদা এন এফ এস এগী চেঙ ফংহনবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরবু হুন্দুনা ঙাঙলুই হায়বা ৱাহৌদগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা পায়রম্বা পোর্টফোলিও পূম্নমক লৌথোকখিবনি।

## পার্টি প্রসিদেন্টকী অয়াবা য়াওদনা এন পি পিগী মেম্বর অমত্তনা ষ্টেটমেন্ট পীদনবা লেপ্পখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১১ (ঐচ এন এস): নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি)মণিপুরগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীটিং ঙসি পার্টি ওফিসতা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা পার্টিগী প্রসিদেন্টগী অয়াবা য়াওদনা মেম্বর অমত্তনা প্রেস ষ্টেটমেন্ট থোক্তনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

এন পি পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট থামিনলিয়ন কিপগেননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এন পি পি মণিপুরগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটি মীটিং পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌরে। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা ইস্যু অমত্তদা পার্টি অসিগী প্রেস ষ্টেটমেন্ট থোক্তবা, পার্টি প্রসিদেন্টগী এপ্রুভেল য়াওদনা ইস্যু অমত্তদা পার্টিগী মেম্বরশিংনা প্রেস ষ্টেটমেন্ট থোক্তনবসু লেপ্পখ্রে। কনাগুম্বশিংনা মসি ভাইওলেট তৌবা থেংনরবদি পার্টিগী কনষ্টিট্যুসনগী মতুংইন্না মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকনি।

ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটি মীটিংনা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কী মতাংদসু খন্নখি। লোকদাউন মনুংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিংসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মরুওইনা পার্টি অসিগী মিনিষ্টরশিং, ৱার্করশিং অমদি ষ্টেট অসিগী মিনিষ্টরশিংবুসু ঈকায় খুম্নবা উৎলি। মীয়াম্না লোকদাউন সপোর্ট তৌবীয়ু। সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎপীয়ু। য়ুমদা সেভ ওইনা লৈবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫